# কালিমাই মমাঙদা

## লাইবক কৎপসু য়াওই, কৎতবসু য়াওই

হায়রুবা, ইরুবা অমসুং ঙাঙলুবদা থকসি-খাসি, থৌগল্লোন খঙদবা, মচোক-মপাক নাইদবা অমদি জুৎ চাখিদ্রবনিগা হায়রক্কদ্রা? ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম হৌরগনি হায়বদুদগী থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুবু করিনো? মীতে ৱাহৈদা ষণনা উরোক থোং লানবা উরবসু উদে হায়য়ু হায়বা থৌদোকশিং থোকখি। উনা-ৱানা লেংলকপদা অমসুং ইশাদা ফূরক-য়েরকপদা লৈ হায়বদি খঙবা, মিৎনদি উদবা নুংশিৎকুম্বা পোৎ অমসু মখোঙ পান্দুনা কোইচৎ-চৎখিবা, কোইচেন-চেনখিবগী শামিন ফংনখি। পোৎ মখলসি করিনো খঙবসু য়াওরমগনি, খঙনা-খঙনা খঙই হায়বা ঙমজদবা অমসুং ঙমহনবীদবা মীওইশিংসু য়াওরমগনি। পোৎতো করিসু নত্তে। তশেংনা খঙদবা য়াওরল্লগদি হায়বিগে-তৌগেদা ঙমহনবা, পোৎসি লৈরগদি লৈতবা -অৱাৎপা লৈহন্দবা হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইবদুনে। পোৎসিনা ঙমদববু করি লৈখ্রগে? থাগী লৈবাক্তা 'চন্দ্রয়ন' মথং-মথং থাগৎলক্লিবা, উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা 'মহা কুম্ভ মেলা' গা পাঙথোক্লিসিবু পোৎসিগী মপান্দগী নৎত্রো? মসিনা ঙমদবা লৈরক্তবনি। অমুববু অঙৌবনি হায়হনখ্রিবনি। মীওই কয়া মনম তৎনবা য়েখিবদগী হেন্দোক্তুনা নুংশিরবা থৱায় মঙা হিংথৎ-থৎতুনা লৌথোকখিবা থৌদোকশিং থোকখ্রিবনি। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মনা লাওবা খরগী লানসি শেলগীদমক মসিবু দিমান্দ তৌরদুনা হৌরকখিবা নত্তে। লানসিগী পান্দম তোঙান্না লৈ। অদুবু লানসিগী হৌনবা তাহৈ-উহৈদ্রবা, থোরকফম থোক্তুবা থৌদোকশিং মনম-মনম থোকচিল্লকপদগী শেলয়াম অমসুং শেনবুলনা শাগৎলকখিবা জগোয় মখলশিং ওন্থোক্লা য়ামখ্রে হায়বনি। শেলনা মপাঙ্গল হাপ্তুনা মথ্বায় পালহল্লবসু লানফমদা চোংশিনবগী মরীল পান্দবা, ঙাঙথোক-শক্তোরকপদা রাশি য়াওখিদ্রবা মীওই খুজোক অমনা ফাওবা সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা হৌজিক ফাওবদা ৱাকাই ঙাঙলক্লিবনি। থুম থাক্কদবা শরেং থোংবদা চিনি থাকচিল্লকপদা 'কৈদৌবৈনো' হায়বা ঙমজদনা হাওখ্রে, থুমখ্রেনা পাকথরগা মখূৎ অনী চঙদুনা ময়াদা নম্বা লেপ্লক্ত্রিবনি। মখোয়সু মীনেনা হিংজরিনি। মখোয়না নোং থুপ্লম্বা, উরুম লাংলম্বা হৈনৌ পাম্বীদুবু মরূ ফংনা ফূক্তৎখ্রগববুদি হীদাক তৌগেনা থিবদা ফংলোইদোইনি।

মীরৈহৎ-মীনুখাং খরগী ৱাফমসি মতম মাঙনবনি। অহোংবা-অওনববু লাক্লবদি মশা মথন্তা খাওতেক-খাওমাঙনদুনা পুন্দ্রে তুজখ্রগদবনি। অদুবু এসেমব্লি মীফম হৌরগনি হায়খিবদুগী মাঙওইননা ওইহন্নীংবা ওইহনবদা চঙবশিংদু মশীং থিঙমদবা মখে পুথোক্তুনা হৈদোক্লগা হোৎনজখি। খা-ৱাং থুংনবা চেন্দুনা হোৎনখি হায়বনি। অদুবু মণিপুরগী ইহান-হান্না সাহিত্য কলা একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা নোঙ্গাখ্রবা শক্লাইরবা অইবা পাচা মীতৈনা ইরম্বা 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কৎতবসু য়াওই' হায়বদুগুম্না থোকখি। শেলয়াম অমসুং শেনবুলনা ইনবদা লেঙহনবদি লায়রদনা মচি লেঙহনবা ফাওবা ঙমজ খিদবশিং য়াওখি হায়বনি। অরোনবা ৱাবু অঙানবদা ৱাহংববুদি য়াদ্রিবা থৌওংনি। অদুবু পীকখ্রবা মণিপুর ওইবৈরা খঙদে ৱা-ৱা হেক্তা লাউখি। হৌজিক ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫গী মতুংদগী ওইরক্লিবা ফীভমসিবু খোমজিন-তাশিঞ্জরকপা কৈনো-কৈনো ময়ামদুনা অখাকপা লৈতনা হৈদোরক্তুনা থুমগাইরকপদা 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কৎতবসু য়াওই' হায়বদুগুম্না থোকখিবদগী নত্তে হায়বা য়াগদৌরিব্রা? অরৈবা-অঙম্বশিংনা মাগী-মাগী ওইজ-ওইথক্কী, খোঙফম চেৎনবগীদি তৌনখ্রিবনি অদুবু চহী ৭৬ লংত্রিক লংনা ঙাল্লক্লিবা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুশন, মসিগী মখাদা লিংলক্লিবা লৈঙাক্লোনসিদি চুহিদা ঙাল্লবা থম্মৌ হৈঙানদৌনা মুশুক মুশিলহল্লে হায়বনি। ফীভমসি ওইহল্লক্লিবা মখোয়সিবু মীয়ামগী মীহুৎ, লুচিংবা অমসুং লৈঙাক্লোই মালহন্নবা মথৌ তাবা কষ্ট্যুম শীজিন্নদুনা মেক-অপ তৌশিন্দুনা কুরাংবান্দা মালহন্নবদং হোৎনজবশিংনি লৌরোইদবগী মরম লৈতে। ৱাফমসি শেমজিন-শাজিল্লগা হেক্তা হায়জিনবা নত্তে। থুন্দা য়েংনা ফিদা থারকপনি। পুমচুম চুল্লবা, কক্লিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। লানসিনা লান ওইনা লৈজখ্রবসু মণিপুরগী মীয়ামদি কুম্মে তাবমখৈ চং ফংনা ৱাখিগনি হায়বনি। মখোয়সিবু কম্মাই তৌসিগে? চৎলিবা চহীচাসিগী মীৎনা শঙ-শঙ উবা লাইনিবুদি হায়রসি। অদুবু করি-করম্বা লাইথৌ পাঙথোক্লগা মতেফমদা, মহনফমদা হঞ্জিনহন্নবা লোইশিন-খমজিনগদগে? তুংগী মীরোলদা করি তৌরগা তেকশিন হঞ্জিল্লোইদগে হায়বসি তৌদবা য়ারক্তবা, তঙাইফদবা থবক ওইরক্লবনি। মীয়াম ৱাখল তাহৌবা চুমগনি। ইৱাই-খোঙহৌ থিলহনবা চুপ্লোই।

# ꯀꯂꯤꯃꯥꯏ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ

## ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯀꯣꯠꯄꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ, ꯀꯣꯠꯇꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ

ꯍꯥꯌꯔꯨꯕꯥ, ꯏꯔꯨꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯉꯥꯡꯂꯨꯕꯗꯥ ꯊꯛꯁꯤ-ꯈꯥꯁꯤ, ꯊꯧꯒꯜꯂꯣꯟ ꯈꯪꯗꯕꯥ, ꯃꯆꯣꯛ-ꯃꯄꯥꯛ ꯅꯥꯏꯗꯕꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯖꯨꯠ ꯆꯥꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤꯒꯥ ꯍꯥꯌꯔꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ? ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯵, ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯱꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯚ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯤꯐꯝ ꯍꯧꯔꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯒꯤ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯃꯤꯇꯦ ꯋꯥꯍꯩꯗꯥ ꯁꯅꯅꯥ ꯎꯔꯣꯛ ꯊꯣꯡ ꯂꯥꯅꯕꯥ ꯎꯔꯕꯁꯨ ꯎꯗꯦ ꯍꯥꯌꯌꯨ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯈꯤ꯫ ꯎꯅꯥ-ꯋꯥꯅꯥ ꯂꯦꯡꯂꯛꯄꯗꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯁꯥꯗꯥ ꯐꯨꯔꯛ-ꯌꯦꯔꯛꯄꯗꯥ ꯂꯩ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯈꯪꯕꯥ, ꯃꯤꯠꯅꯗꯤ ꯎꯗꯕꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯠꯀꯨꯝꯕꯥ ꯄꯣꯠ ꯑꯃꯁꯨ ꯃꯈꯣꯡ ꯄꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯀꯣꯏꯆꯠ-ꯆꯠꯈꯤꯕꯥ, ꯀꯣꯏꯆꯦꯟ-ꯆꯦꯟꯈꯤꯕꯒꯤ ꯁꯥꯃꯤꯟ ꯐꯪꯅꯈꯤ꯫ ꯄꯣꯠ ꯃꯈꯜꯁꯤ ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯈꯪꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯃꯒꯅꯤ, ꯈꯪꯅꯥ-ꯈꯪꯅꯥ ꯈꯪꯏ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯉꯝꯖꯗꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯉꯝꯍꯅꯕꯤꯗꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯄꯣꯠꯇꯣ ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯅꯥ ꯈꯪꯗꯕꯥ ꯌꯥꯎꯔꯜꯂꯒꯗꯤ ꯍꯥꯌꯕꯤꯒꯦ-ꯇꯧꯒꯦꯗꯥ ꯉꯝꯍꯅꯕꯥ, ꯄꯣꯠꯁꯤ ꯂꯩꯔꯒꯗꯤ ꯂꯩꯇꯕꯥ -ꯑꯋꯥꯠꯄꯥ ꯂꯩꯍꯟꯗꯕꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯃꯇꯃꯗꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯗꯨꯅꯦ꯫ ꯄꯣꯠꯁꯤꯅꯥ ꯉꯝꯗꯕꯕꯨ ꯀꯔꯤ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯒꯦ? ꯊꯥꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ 'ꯆꯟꯗ꯭ꯔꯌꯟ' ꯃꯊꯪ-ꯃꯊꯪ ꯊꯥꯒꯠꯂꯛꯂꯤꯕꯥ, ꯎꯇ꯭ꯇꯔ ꯄ꯭ꯔꯗꯦꯁꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯌꯥꯒꯔꯥꯖꯗꯥ 'ꯃꯍꯥ ꯀꯨꯝꯚ ꯃꯦꯂꯥ' ꯒꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯤꯁꯤꯕꯨ ꯄꯣꯠꯁꯤꯒꯤ ꯃꯄꯥꯟꯗꯒꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯣ? ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯉꯝꯗꯕꯥ ꯂꯩꯔꯛꯇꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯃꯨꯕꯕꯨ ꯑꯉꯧꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯍꯅꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯃꯅꯝ ꯇꯠꯅꯕꯥ ꯌꯦꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯕꯥ ꯊꯋꯥꯌ ꯃꯉꯥ ꯍꯤꯡꯊꯠ-ꯊꯠꯇꯨꯅꯥ ꯂꯧꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯈꯤꯕꯥ ꯃꯅꯥ ꯂꯥꯎꯕꯥ ꯈꯔꯒꯤ ꯂꯥꯅꯁꯤ ꯁꯦꯜꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗ ꯇꯧꯔꯗꯨꯅꯥ ꯍꯧꯔꯛꯈꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯥꯅꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯟꯗꯝ ꯇꯣꯉꯥꯟꯅꯥ ꯂꯩ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯥꯅꯁꯤꯒꯤ ꯍꯧꯅꯕꯥ ꯇꯥꯍꯩ-ꯎꯍꯩꯗ꯭ꯔꯕꯥ, ꯊꯣꯔꯛꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯨꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯃꯅꯝ-ꯃꯅꯝ ꯊꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯄꯗꯒꯤ ꯁꯦꯂꯌꯥꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯟꯕꯨꯂꯅꯥ ꯁꯥꯒꯠꯂꯛꯈꯤꯕꯥ ꯖꯒꯣꯌ ꯃꯈꯂꯁꯤꯡ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯁꯦꯂꯅꯥ ꯃꯄꯥꯡꯒꯜ ꯍꯥꯞꯇꯨꯅꯥ ꯃꯊ꯭ꯋꯥꯌ ꯄꯥꯜꯍꯜꯂꯕꯁꯨ ꯂꯥꯟꯐꯃꯗꯥ ꯆꯣꯡꯁꯤꯟꯕꯒꯤ ꯃꯔꯤꯜ ꯄꯥꯟꯗꯕꯥ, ꯉꯥꯡꯊꯣꯛ-ꯁꯛꯇꯣꯔꯛꯄꯗꯥ ꯔꯥꯁꯤ ꯌꯥꯎꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯑꯃꯅꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯁꯣꯁꯜ ꯃꯤꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯞꯂꯦꯠꯐꯣꯔꯃꯁꯤꯡꯗꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯋꯥꯀꯥꯏ ꯉꯥꯡꯂꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯨꯝ ꯊꯥꯛꯀꯗꯕꯥ ꯁꯔꯦꯡ ꯊꯣꯡꯕꯗꯥ ꯆꯤꯅꯤ ꯊꯥꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯄꯗꯥ 'ꯀꯩꯗꯧꯕꯩꯅꯣ' ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯉꯝꯖꯗꯅꯥ ꯍꯥꯎꯈ꯭ꯔꯦ, ꯊꯨꯝꯈ꯭ꯔꯦꯅꯥ ꯄꯥꯛꯊꯔꯒꯥ ꯃꯈꯨꯠ ꯑꯅꯤ ꯆꯪꯗꯨꯅꯥ ꯃꯌꯥꯗꯥ ꯅꯝꯕꯥ ꯂꯦꯞꯂꯛꯇ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯁꯨ ꯃꯤꯅꯦꯅꯥ ꯍꯤꯡꯖꯔꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯅꯣꯡ ꯊꯨꯞꯂꯝꯕꯥ, ꯎꯔꯨꯝ ꯂꯥꯡꯂꯝꯕꯥ ꯍꯩꯅꯧ ꯄꯥꯝꯕꯤꯗꯨꯕꯨ ꯃꯔꯨ ꯐꯪꯅꯥ ꯐꯨꯛꯇꯠꯈ꯭ꯔꯒꯕꯕꯨꯗꯤ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯇꯧꯒꯦꯅꯥ ꯊꯤꯕꯗꯥ ꯐꯪꯂꯣꯏꯗꯣꯏꯅꯤ꯫

ꯃꯤꯔꯩꯍꯠ-ꯃꯤꯅꯨꯈꯥꯡ ꯈꯔꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝꯁꯤ ꯃꯇꯝ ꯃꯥꯡꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯍꯣꯡꯕꯥ-ꯑꯣꯟꯕꯕꯨ ꯂꯥꯛꯂꯕꯗꯤ ꯃꯁꯥ ꯃꯊꯟꯇꯥ ꯈꯥꯎꯇꯦꯛ-ꯈꯥꯎꯃꯥꯡꯅꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯟꯗ꯭ꯔꯦ ꯇꯨꯖꯈ꯭ꯔꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯃꯤꯐꯝ ꯍꯧꯔꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤꯕꯗꯨꯒꯤ ꯃꯥꯡꯑꯣꯏꯅꯅꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯅꯤꯡꯕꯥ ꯑꯣꯏꯍꯅꯕꯗꯥ ꯆꯪꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯤꯡꯃꯗꯕꯥ ꯃꯈꯦ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯩꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯍꯣꯠꯅꯖꯈꯤ꯫ ꯈꯥ-ꯋꯥꯡ ꯊꯨꯡꯅꯕꯥ ꯆꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯍꯥꯟ-ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯀꯂꯥ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ ꯑꯦꯋꯥꯔꯗ ꯐꯪꯈꯤꯕꯥ ꯅꯣꯡꯉꯥꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯁꯛꯂꯥꯏꯔꯕꯥ ꯑꯏꯕꯥ ꯄꯥꯆꯥ ꯃꯤꯇꯩꯅꯥ ꯏꯔꯝꯕꯥ 'ꯀꯂꯤꯃꯥꯏ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯀꯣꯠꯄꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ, ꯀꯣꯠꯇꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ' ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯒꯨꯝꯅꯥ ꯊꯣꯛꯈꯤ꯫ ꯁꯦꯂꯌꯥꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯟꯕꯨꯂꯅꯥ ꯏꯅꯕꯗꯥ ꯂꯦꯡꯍꯅꯕꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯗꯅꯥ ꯃꯆꯤ ꯂꯦꯡꯍꯅꯕꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯉꯝꯖꯈꯤꯗꯕꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯔꯣꯟꯕꯥ ꯋꯥꯕꯨ ꯑꯉꯥꯟꯕꯗꯥ ꯋꯥꯍꯡꯕꯕꯨꯗꯤ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯊꯧꯑꯣꯡꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯄꯤꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯑꯣꯏꯕꯩꯔꯥ ꯈꯪꯗꯦ ꯋꯥ-ꯋꯥ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯂꯥꯎꯈꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯵ꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯕꯨ ꯈꯣꯃꯖꯤꯟ-ꯇꯥꯁꯤꯟꯖꯔꯛꯄꯥ ꯀꯩꯅꯣ-ꯀꯩꯅꯣ ꯃꯌꯥꯝꯗꯨꯅꯥ ꯑꯈꯥꯛꯄꯥ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯍꯩꯗꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯊꯨꯃꯒꯥꯏꯔꯛꯄꯗꯥ 'ꯀꯂꯤꯃꯥꯏ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯀꯣꯠꯄꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ, ꯀꯣꯠꯇꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ' ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯒꯨꯝꯅꯥ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯅꯠꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯌꯥꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯑꯔꯩꯕꯥ-ꯑꯉꯝꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ-ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯖ-ꯑꯣꯏꯊꯛꯀꯤ, ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯆꯦꯠꯅꯕꯒꯤꯗꯤ ꯇꯧꯅꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯆꯍꯤ ꯷꯶ ꯂꯣꯡꯇ꯭ꯔꯤꯛ ꯂꯣꯡꯅꯥ ꯉꯥꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯁꯟ, ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗꯥ ꯂꯤꯡꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯁꯤꯗꯤ ꯆꯨꯍꯤꯗꯥ ꯉꯥꯜꯂꯕꯥ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯍꯩꯉꯥꯟꯗꯧꯅꯥ ꯃꯨꯁꯨꯛ ꯃꯨꯁꯤꯜꯍꯜꯂꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯕꯨ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ, ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏ ꯃꯥꯜꯍꯟꯅꯕꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕꯥ ꯀꯁ꯭ꯇ꯭ꯌꯨꯝ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯃꯦꯛ-ꯑꯞ ꯇꯧꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯀꯨꯔꯥꯡꯕꯥꯟꯗꯥ ꯃꯥꯜꯍꯟꯅꯕꯗꯪ ꯍꯣꯠꯅꯖꯕꯁꯤꯡꯅꯤ ꯂꯧꯔꯣꯏꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯇꯦ꯫ ꯋꯥꯐꯝꯁꯤ ꯁꯦꯃꯖꯤꯟ-ꯁꯥꯖꯤꯜꯂꯒꯥ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯍꯥꯌꯖꯤꯟꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯊꯨꯟꯗꯥ ꯌꯦꯡꯅꯥ ꯐꯤꯗꯥ ꯊꯥꯔꯛꯄꯅꯤ꯫ ꯄꯨꯝꯆꯨꯝ ꯆꯨꯜꯂꯕꯥ, ꯀꯛꯂꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕꯥ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯅꯁꯤꯅꯥ ꯂꯥꯟ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯩꯖꯈ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯤ ꯀꯨꯝꯃꯦ ꯇꯥꯕꯃꯈꯩ ꯆꯡ ꯐꯪꯅꯥ ꯋꯥꯈꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯕꯨ ꯀꯝꯃꯥꯏ ꯇꯧꯁꯤꯒꯦ? ꯆꯠꯂꯤꯕꯥ ꯆꯍꯤꯆꯥꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯠꯅꯥ ꯁꯡ-ꯁꯡ ꯎꯕꯥ ꯂꯥꯏꯅꯤꯕꯨꯗꯤ ꯍꯥꯌꯔꯁꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯤ-ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯂꯥꯏꯊꯧ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯃꯇꯦꯐꯃꯗꯥ, ꯃꯍꯟꯐꯃꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯟꯍꯟꯅꯕꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟ-ꯈꯝꯖꯤꯟꯒꯗꯒꯦ? ꯇꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯔꯣꯜꯗꯥ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯇꯦꯛꯁꯤꯟ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯣꯏꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯇꯧꯗꯕꯥ ꯌꯥꯔꯛꯇꯕꯥ, ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯥꯍꯧꯕꯥ ꯆꯨꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯏꯋꯥꯏ-ꯈꯣꯡꯍꯧ ꯊꯤꯜꯍꯅꯕꯥ ꯆꯨꯞꯂꯣꯏ꯫

# মণিপুরগী এসেমব্লি সেশন লাকপগা মহা কুম্ভ মেলা!



**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৪৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ইখঙ খঙহৌদনা সী এম বিরেননা রিজাইন তৌখিবা, গভর্ণরনসু অয়াবা পীখিবা, লোয়ননা গভর্ণরনা সম্মন তৌখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফমগা মরী লৈননা এসেমব্লি সেক্রেটেরিএটনা ফেব্রুৱারী ১০দগী এসেমব্লি মীফম ফম্লনবা নোটিফিকেশন অমা থোকখিবা অদু কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৭৪গী ক্লোজ (১)না পীবা পাৱরগী মতুংইন্না চৎনররোই হায়না ওর্দর থোকখিবনা মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী ফীভম করি ওইরক্কদৌরি হায়বা ঙম্নদ্রি।



হান্নদি নিংথৌকাবা নুমিৎ ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী হৌগনি হায়রিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম অসিগীদমক রুল্লিং ওপোজিসন পার্টি অনীগী মরক্তা খোইরেন মসা পাইনরম্মী। হৌখিবা ওগষ্ট ২৯, ২০২৩ নুমিত্তদি এসেমব্লি সেশন মীফম ফম্বা অয়ূক পুং ১১দগী হৌরগা মিনট ৩০ এদজোর্নমেন্ট তৌথোকখ্রগা শুপ্নতগী মিনট ১১ খক ফম্মিন্নরিবা এম এল এশিংগী মরক্তা মরৈ তৌনরগা তোকখিবনি। নুমিৎ অদু মালেমগী মফম অমদা হেক্তা লৈবা এসেমব্লি সেশন ফম্বা খ্বাইদগী মতম তেনবগী রেকোর্দ থল্লমখিবনি। মণিপুর অসি হীরম অমত্তদা হেক্তা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগাইবগী হৈনবী লৈবা ষ্টেট অমনি। অফবা থবক নৎত্রগা ফত্তবা থবক্কীদমক অমা হেক্তা ওইবা য়াই।

টি ঐচ সত্যব্রতনা স্পিকর ওইদুনা ফম্বা হৌখিবা সেশন অদুদা ওপোজিশনগী লুচিংবা ও ইবোবীনা হায়খিবনি - "মসিবু সেশনলা নৎত্রগা ইমর্জেন্সিরা নৎত্রগা শোর্ট নোটিশরা? রুল ওফ লো লৈতবা লমদম অসিদা ঐখোয়দি কনফ্যুজ তৌরে।" এসেমব্লি সেশন ফম্বা হায়বসিমক্তবু এম এল এ ৬০ লৈবা হোল অসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা তৌরকপা থবক্তা অফ-ফত্ত নৈনবা, অরানবা চুমথোক্নবা হোৎনবা, অপেন-পেন্দা ঙাঙনবা, লাউনবা চৎনদুনা লাকপনি। রুলিং পার্টিনিসু ওপোজিসননা পুখৎলকপা ইস্যুদা লান্না খনবীরোইদবনি। অনীমক য়ানদুনা অফ-ফত্ত তান্নমিন্নগদবনি। অদুদি নত্তদুনা এসেমব্লি হোল মনুং নৎত্রগা দেল্লীগী পার্লিয়ামেন্ট হোল অনী অসি মীফম ফম্লকপা মতমদদি লাইশঙগুম্বনি খন্নবগী মহুত্তা মহাভারতকী অঙম-অঙম্বা চায়নফম কুরুক্ষেত্রগী লানফমগুম্বা উৎথোকপগী মওং অমা উবা ফংই। লাউবগা খোংবগা, চে শেগাইবগা, মাইক্রোফোন থদৎপগা, চৌক্রি লংনবগা, ইমায়পেম্মা মহা শব্দ অমগী শক্তম টেলিভিজনদা উবা কয়ারক য়াওখ্রে। মসিমদি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি হায়নীংই। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎনবা লৈবাক্লিদি হায়রগা অসুক য়াম্না চাওখত্তবগী ফীভম মানবা মওং অসিদি তশেংনা তৌহন্নীংদে। এম এল এনি, মিনিষ্টরনি, চীফনি, স্পিকরনি কায়দনা ভি ভি আই পিগী অৱর সোসিওইকোনমিক রেঙ্কতা লৈদুনা মীয়াম পূম্বনা ইকায়খুম্নবা উৎলিবনি। অসিদসু নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, ফাইনান্স মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর, এম পি কা হায়বসি ইন্দিয়াগী মীশিং ক্রোর ১৪০ হেনবনা খল্লক্তুনা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা থমখ্রবা মরু ওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়দুনা সিক্যুরিটিনা চয়োম শাদুনা ফ্রেগ পোষ্টকা হাইদুনা চীং লেম্না চৎনরিবনি। অদুগুম্লবা মরু ওইবা মীওইশিংনা এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্ট হাউস মনুংদা খৎনদুনা অঙাং মচাগুম্না থীনা-থীনা ঙাঙনরগা লাউনরকপদা অয়েংবা ঐখোয় ইকায়জে। মদুদদি তৌবীগনু হায়জনীংই।

'নো-কনফিদেন্স মোশন' থাঙ্গৎকনি, সপোর্ট তৌনি, তৌরোই, লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈনি, লৈরোই ঙাঙনবদু তুমিন্না তোকখ্রনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকপা লাননা ঙসি ফাওবদগী নুমিৎ অসি ফাওবদা তংদু লৈতানা লৈবা ফংদবা মীওই ওপার অমা লৈরিবসিবু লোইশিন্নবা সোল্যুশন অমা ফাওবা পুরকপা লৈত্রিবনা লৈঙাক অসিগী ফীভম অসি ওইরকপনি হায়না লৌনরি। অমরোমদসু চীফ মিনিষ্টর শিনবা নৎত্রগা শিন্দবা, শিনগনি, শিল্লোই হায়দনা ঙাঙনরকখি। এসেমব্লি কৌরে হায়রকপা মতাং অসি হেক য়ৌরকপদা হোম মিনিষ্টরনা কৌরেয়ে, প্রাইম মিনিষ্টর উনবা চৎলিনি হায়দুনা দেল্লীদা এরোপ্লেন তোং-তোংদুনা পাইদুনা চৎপগী হৈনবীসিমসু লাইচুবদৌনা তৌখৎলক্লে। ওক্লে, খারে, পেল্লেদুম হায়নীংই। তশেংনা খিরবনি, খারবনি। চার্টরদ ফ্লাইট তোংদুনা দেল্লীদা চেনখ্রেয়ে, কেম্প তৌদুনা লৈরে, লৈত্রে, ঙরাং চেন্থোরক্লে, উনরকই, উনবা ফংলক্ত্রে, অসি ঙাক্তনি। অসিগুম্বা পোলিটিক্সকী মওং, ফীভম অসিবু ইন্দিয়াগী করম্বা ষ্টেটতা থেংনরিবগে? বেঙ্গলগী, বিহারগী, অন্ধ্রগী, টেলঙ্গনাগী, টামিল নাদুগী, কর্ণাটকাগী চীফ মিনিষ্টরশিংগদুবু অদুম্মাইনা তৌবা থেংনবীব্রা? এম এল এশিংসু মঙাই ওন্থোক্লা লেমজখিদ্রে। ওন্থোক্লা ইকায়জখ্রে।

সী এম শীনবা-শীন্দবা নাথৈবীরগা করি-করিনো তান্নবা য়াবা তান্নবিরগা মণিপুরসি ফগৎলক্নবা এঙ্গল হোংদুনা হন্দক্কী সেন্টরদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা শেল-থুমগসু কায়থোক্তুনা বডজেট সেশন লোইখ্রবনিনা করি করিনো মণিপুরগী অমুক চাওখৎ থৌরাংগী খন্নবীরো। হুন্নবা তোকপীরো। পাউচেদগা দিসক্কালিফায়গী চোংথোক-চোংশিনগী ৱা পনবীরকঅনু তাজনীংদ্রে, ফোটোগদু শুংয়েং হেক য়েংজনীংদ্রে হায়বসি মঙায়রে। খৎনবীরনু শুংতা তানীংদ্রে। অদুগী শরুক মণিপুরগী ফন্নবতা খন্নদুনা কোক থাদবীরো অসিদনি হায়জনীংবা।

নোং-নীনি মমাঙদা অমুক চীফ মিনিষ্টর, ৱার্ক্স মিনিষ্টরহোয় কনা-কনানো মখোয় তরেৎমুক হোম মিনষ্টির উনবনি চৎখিবদু কুম্ভ মেলাগী প্রয়াগাজদা ঈরুপ্পুবগী ভিদিও ভাইরেল অমুক থাগৎনরকখি। মদুদসু করি করিনো পংঙাঙদা ঙাঙনৈ। করিম কানদবদা। চীফ মিনিষ্টর, কেবিনেট মিনিষ্টরনা ত্রিবেনি সঙ্গমদা ইরোইরুববু কৈদৌয়েগে ইরোইজসনু। ইরুপসনু। পাপ কোক্নবা মণিপুরগী অফবা পুরক্নবা লাই নীংজরুবা ওইরমগনি। নঙসু লুপকে হায়রগা লুপ্পুসো কৈনো।

ইশামক্তসু এল্লাহাবাদকী (হৌজিক্কীনা প্রয়াগাজ) গঙ্গা, যমুনা সর্শ্বতিগী ঈরুপফম ফাওবদি য়ৌজরুরে। শেংলবা গঙ্গা তুরেলগী ঈশিংগী মচু লুবনি, শেংবনি, যমুনাগীদি লুথনা মুনা শংনা চেনবনি অদুগা সর্শ্বতি তুরেলগী ঈশিংনা মশক উবা ফংলোই লুথনা মনুংদা চেনবনি। গুৱাহাটি নৎত্রগা হাউরা ত্রেনদগী তোংলকপা রেলগাড়ীনা এল্লাহাবাদ য়ৌরক্লে হায়বসি থোং অশাংবা অমা লাল্লক্লবা মতুংদা এল্লাহাবাদ ত্রেন ষ্টেশনদা খাল্লগনি। কুম্ভ মেলা অসি চহী ৩-৪, অর্ধ কুম্ভ মেলা চহী ৬, পুর্ন কুম্ভ মেলা অমদি চহী ১৪৪ মহাকুম্ভ মেলা হায়না জুপিটর প্লানেটনা রেভল্যুশন চৎপগী মরী লৈনবা এষ্ট্রোলোজরশিংনা পাদুনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীশিং য়াম্না ঈশিংদা লুপ্তুনা থৌনিজবগী থৌরম অমনি। হন্দক্কী মহা কুম্ভ মেলা পাঙথোকপা অসিমুক চাউবা মেলা অমা য়াওজগে হায়বা তারগদি চহী ১৪৪গী মতুংদা অমুক য়াওবা ফংগনি হায়বদুমদি ঙসিগী মীরোলনদি ওইথোক্ত্রে। কুমজা ১৯৮৬তা মমৈ পানবা হেল্লীজ কোমেট পাইখিবদু ঐখোয়সু য়েংখি। চহী ৭২-৮০ লৈরগা জুলাই ২০৬১দা অমুক থোরক্কনি হায়বগুম্বনি। অমরোমদসু চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা হিন্দু ধর্ম্মগী চৎনবী পাঙথোক্লদুনা মণিপুরগী য়াইফনবা নীরুবনি হায়না লৌবসু য়াই। অমুকসু এল্লাহাবাদ হায়রগদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং জৱাহরলাল নেহরুদগী হৌরগা লাল বহাদুর শাস্ত্রি, ইন্দিরা গান্ধী, রজিভ গান্ধী, ভি পি সিং অদুগা চন্দ্রসেখর রাওনা এল্লাহাবাদ য়ুনিভর্সিটিদগী হৌরকফমগী লমদমনি। ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্তা মণিপুরগী বি জে পি দবল ইঞ্জিনগনা কুম্ভ মেলাদা লুপ্তুনা মণিপুরগী লান লোইশিনবা ওইসনু। সী এম অমা শীনবা-শীন্দবা থোইদোক্ত্রে। মীয়ামগীদি তংদু লৈতাহনবা-রিলিফ কেম্পকী পূন্সি লোইহনবনি। হেন্না পাল্লিবনা জিও-পোলিটিক্স, প্রোক্সি ৱারগী মহুত্তা মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়বগী ইকাই খুম্নবা উৎলকপা অদুনি। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৯২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অতোপ্পা ফূরুপশিংনা লাইনীং লাইশোনগী মিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংবদা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয় মশেল খুনু মখোঙ খোঙলৌবা হায়বা থৌদৌসি ওইবদগী মাঙজবা কোঙ্গাইনি। থাগী ওইনা ফংবা য়াবা/ফংফম থোকপা শেনফম (মীরোলদা - সেলরি/পে) ফংদুনা ময়োল লৈঙাক নৎত্রগা মসা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদা থবক চঙবদা ফংবা য়াবা খুদোংচাবশিং মাঙবা/ৱাৎপগা লোয়ননা য়ূম্নাক শাগৈ মান্নবশিংগী মরক্তা অপূনবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। হীরম খুদিংদা মান্নদবা ওইবনিনা লোলয়ানসু মশীং অদুম য়াম্মী। থবক থৌরম অমা করম্না তৌরগদি হেন্না ফগদগে হায়বা মখল মথেলগী ৱাখল লৌশিং পুথোক্নবা হোৎনবদা য়েৎনফম শুংথোক থোক্তবদা ফূরুপ মান্নবশিংগী মরক্তা লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা - ধর্ম্ম) খেন্নবনা কান্নবা ৱালেপ/ৱারেপ লৌবা ঙমদনা তোকপা অয়াম্বা ওইবনা য়ূম্নাক শাগৈদুগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক/থৌরমদা অয়েৎপা অপনবা ওইহল্লি। মরী লৈনবশিংনা খন্থহঞ্জনীংই। মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা হৌরকফমদি মীনাৎনা ঈনাৎ শানীংদুনা মীরম লাইনীং লাইশোন লৌরুবা লাই ওইখ্রবা মৈদিংঙুশিংদুগী মরালনি হায়বসি হায়রবসু তুং ইনবা খৌবুনাইশিং ওইরিবা মীচম মীয়াম ঐখোয়গীসু ইরাল লৈতে/য়াওদে হায়বদি য়ারোই। মখল খুদিংদা তাংজবা ওইরুবশিং - খুদম ওইনা, লাইনীং লাইশোনশিংদবু ওইরবসু, অচৌবা ফূরুপ্তা নম্ফুদা তিলহনবা নৎত্রগা অপীকপা ফূরুপ মচাশিংনা শাফগদ্রা হায়না তৌরুবা/লৌরুবা মরী লৈনবা খুদিংমক মীরোলদা 'কচ্চা/নকলি/দ্যুপ্লিকেট' শম্না 'শেঙদবা' লাইনীং লাইশোন, ফূরুপ মান্নবা তৌবা হায়নরিবশিংসিনি। অদুনা হায়নরিবনি 'অশেংবা (মীরোলদা ওরিজিনেল) নত্তে হায়দনা অসিগুম্বশিংসিনা 'য়েলহৌমী (হৌরকমী) অশেংবগুম্না' লৌফম থোক্তবনা চেকশিল্লবা মতমদা অশেঙবশিংনা ফংগদবা চাকথুংদগী নপচরগা তাংজবশিংগীদমক চপ মান্নবা চাকথুং অমদি ইকায়খুম্নবা (মীরোলদা-সমান/রেস্পোক্ট) ফংবা ঙল্লোই। য়াম্না লায়বা খুদম অমনা, ময়োল লমমশিংদা লৈবা হিন্দু (মীরোল) অশেঙবশিংনা মীরোলদা 'কচ্চা হিন্দু' শিংবু মখোয় মশাদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙমদবনা হন্থবা থাক্তা য়েংই। শক-চু, শকপাল/মায়থোঙ, শাবান/শাহৌ মান্নদবনা - মখোয়গী লাইনীং লাইশোন মান্নবা তোঙানবা লোল-লি মান্নদবা ফূরুপনি হায়রফাওবদা হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবা য়াওরিবনি। শোয়দনা থেংনবিরমগনি। 'অৱুবা ঈশিংনা মতায়দা অনৈবা ঈশিংনা ময়ায়দা চেনবা' হায়বদুমায়না অশেঙবা খন্নরকপা মতমসিদা মতম খরগী ওইনা নাকলদা থৈদোক্লগা থম্মিন্নখিসি।

হৌখিবনা হৌখ্রে, হৌজিক্কী ৱাখল পরিং চুম্না খনবা ঙল্লবা নহাশিং অমদি পূন্সি ময়ায় চল্লক্লবশিংনা মথক্তা চনখিবা অরোৎ অফোং পাউখোংশিংগী মরমদা খন্নবিরগা ইমালোলদা মীরোলগী লোলয়ান কয়াম য়াওহনখিগদগে/য়াওহনখিসিগে হায়বসি খন্থবা মতম থেংমল্লে। মসিগীদমক তঙাইফদনা হান্না খঙদবা য়াদবা ৱাফম খরদি "মণিপুর, মণিপুরী, মণিপুরী লোল করিগী লোলয়াননি হায়রোইদৌবনো' হায়বসি খঙনবা মণিপুর করম্বা মতমদগী, লমদমসিগী মমিং কংলৈপাক হায়না নোংদা লাইরেন পাখঙবগী সনা হাক্তক্তগী কৌরকপসি, খাঙ্ঙুথক্তা ওনখিবদগী কৌরকখিবনিনা মণিপুরী হায়বা মীওই ফূরুপসি করম্বনো, কনানো; মণিপুরী লোল হায়রিবসি করম্বা মীওই ফূরুপশিংনা ঙাঙনবা লোলনো; মালেমগী করম্বা অতোপ্পা মীওই ফূরুপ্তগী ৱায়রগা/তাংলগা ঙাঙনবা লোলনো; মীরোল ওইবা ইন্দিয়াগীদা লৈরিবা শক-চু মান্নদবা, হীরম খুদিংদা খেন্নবা ফূরুপশিংনা ঙাঙনবা লোলশিংগা কয়াম মান্নে, কয়াম নকশিন্নে হায়রিবশিংসি হান্না খঙজিনবা মথৌ তাবনা, লমদমসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী অশেঙবা ঐখোয়গী ইপা-ইপু, পুরেন লাকপশিংদগী শমথরকপা চারোল শুথাংশিং ঐখোয়না মীরোল খঙনবা/ঙাঙবা ঙম্নবা তম্লুদনা মতোমতা হৈরকখিব্রা হায়বনচিংবা নৈনবা মথৌ তাবনা মখাদা অসুম্না পীজরি।

ইরমদমসিগী মমিং মণিপুর হায়না খাঙ্ঙুথক্তা ওন্থোকখিবদগী হৌজিক কৌনরিবসিগী মমাঙ চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদা, চক চকশিংদা কৌনরকখিবা মমিংশিং -

ইরমদমসিদা মৈহৌরোল/মীহৌরোলদগী লৈরকপা অশেঙবা মীওই ফূরুপশিংগী পারি পুরিগী মখা চথদুনা শমথরকপা চারোল শুথাংশিংনা মার খোঙ্গুল লিদুনা/থিদুনা হোংলক্লিবা মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না অদুমক হিংলি, হিংবসু তাবনি, হিংসু হিংখিনি। অদুবু খাঙ্ঙুথক্তা মীরমদগী লোন্না থুপ্না চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা অশেঙবা য়েলহৌ ফূরুপকী চনু নিঙোলশিং লৌদুনা/থাজদুনা/লোন্না থুপ্না য়ূম্বানবগী মরী থম্বদগী ঈ মাঙথোক্তুনা য়েলহৌ ফূরুপকী চৎন-লোনচৎ মাঙলকখিবগী অচৌবা মরম ওইরকখিবনি হায়বসি অথেংবা পুৱারীনা পীবা লিখুন্দগী খঙলকপনা চুল্লবা ৱাফমনি। মুকশন (অনৌবা লোল) ওইরকপা য়াওবনা খুন্নাইদা মুকশনগী ৱাখলগী মমি তারকপা হায়বসি মহৌশানি। মীরমগী ৱাখলগী মমি (অনৌবা লোলদা - মুকশনগী ৱাখল) চেনবা হৌরকখিবদি ১৮শুবা চহীচা হৌরকপদা কংলৈপাক্কী ৫০শুবা নিংথৌ ওইনা খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮ ফাওবদা পানখিবা মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদগী হৌখিবনি। মসিদা ঈনোৎ হাপখিবনা মৈদিংঙুশিংনা নুপী য়াম্না লোনবগী (মীরোলদা - পোলিগেমী) চৎনবী লৈবদগী মথক্তা লোল-লি তিন্নদবা মীতোপ (মীরোলদা- ময়াং/আউটসাইদর) ওইরগা লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা-ধর্ম্ম/রিলিজন) মান্নদবা লীচৎ চৎপা কয়া ইরমসিদা চঙশিল্লকপদা মৈদিংঙুনা মথোং মরম খঙদনা হরাও হরাওনা অয়াবা পীরুবগা লোয়ননা মৈদিংঙুগী মপাবুংগী সনা হাক্তক্তগী হৌরগা খঙশিন্নদনা লৈমকোনগী লৈফমদা চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াহল্লুবদগী মীরমগী ৱাখল (মুকশন ৱাখল) চেল্লকপা য়াওরকখিবনি হায়বসিগী অচুম চুমদদি ঙসিগী খুন্নাইচাশিংনা নৈনবীরো।

নমু তাইবঙ মীনা খুন্দা লৈতারকপদগী ঙসি ফাওবা অসিবু তাঙ্কক মরি থোক্লা খায়দোকপদা তাঙ্কক অমমমবু চক হায়না খঙনৈ। ●

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৪৫০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

য়োইবু চারলতা য়োইহৈ খোংফাংলেংবী পুমনমকসু। শমচীন নৌরৈ থোংনা শেম। শঙতীঙ ফীরেল শাফি লালফি থোলনা ফিশেৎলে। মতাইরেম তাংখুল তুইশেল লালহৌ মনিল নাইবশিংবু। চুমপুল লাললৈ থেম। হাওফি লালফি শেৎ। হুইরোং লুফা চীলনা থেৎ। লাইথং হুইয়োম শা। তিমেল ঙানোই চোং। তারেল খূৎপায়না। পোইরৈ মৈতৈ তমপাক লমদা হাইথনা কুম। তমপাক লমদম য়ৌনা লাকপদা। য়োইবু লৈমাবী পুকনিং লৌশিং থোইবী। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯴꯵꯰)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯆꯥꯔꯂꯇꯥ ꯌꯣꯏꯍꯩ ꯈꯣꯡꯐꯥꯡꯂꯦꯡꯕꯤ ꯄꯨꯃꯅꯃꯛꯁꯨ꯫ ꯁꯃꯆꯤꯟ ꯅꯧꯔꯩ ꯊꯣꯡꯅꯥ ꯁꯦꯝ꯫ ꯁꯡꯇꯤꯡ ꯐꯤꯔꯦꯜ ꯁꯥꯐꯤ ꯂꯥꯜꯐꯤ ꯊꯣꯜꯂꯅꯥ ꯐꯤꯁꯦꯠꯂꯦ꯫ ꯃꯇꯥꯏꯔꯦꯝ ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ ꯇꯨꯏꯁꯦꯜ ꯂꯥꯜꯍꯧ ꯃꯅꯤꯜ ꯅꯥꯏꯕꯁꯤꯡꯕꯨ꯫ ꯆꯨꯝꯄꯨꯜ ꯂꯥꯜꯂꯩ ꯊꯦꯝ꯫ ꯍꯥꯎꯐꯤ ꯂꯥꯜꯐꯤ ꯁꯦꯠ꯫ ꯍꯨꯏꯔꯣꯡ ꯂꯨꯐꯥ ꯆꯤꯜꯂꯅꯥ ꯊꯦꯠ꯫ ꯂꯥꯏꯊꯪ ꯍꯨꯏꯌꯣꯝ ꯁꯥ꯫ ꯇꯤꯃꯦꯜ ꯉꯥꯅꯣꯏ ꯆꯣꯡ꯫ ꯇꯥꯔꯦꯜ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯥ꯫ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯃꯩꯇꯩ ꯇꯃꯄꯥꯛ ꯂꯝꯗꯥ ꯍꯥꯏꯊꯅꯥ ꯀꯨꯝ꯫ ꯇꯃꯄꯥꯛ ꯂꯝꯗꯝ ꯌꯧꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯗꯥ꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯂꯩꯃꯥꯕꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯂꯧꯁꯤꯡ ꯊꯣꯏꯕꯤ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।